# গজা ষ্ট্রিপতা হামাসকী গার্দ ১ সুইসাইদ এটেক তৌদুনা হাৎখ্রে



জেরুসালেম, ওগষ্ট ১৭:
গজা ষ্ট্রিপকী খা থংবা শরুক্তা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা সুইসাইদ বোমর অমনা হামাসকী গার্দ অমা হাৎখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদু চহী ১০ রোম মফমদুদা পাল্লকখিবা পালেষ্টিনিয়ন গ্রুপ অসিগী মায়োক্তা তাঙনা চথুবা ইস্লামিষ্ট এটেক অমনি হায়না লৌনরি।

সুইসাইদ এটেক অদু সিনাই পেনিন্সুলা পরিংদা লৈবা গজা ষ্ট্রিপকী ইজিপ্টকা ফাওনবা য়াবা অমৎতা ঙাইরবা ক্রোসিংগী মনাক্তা নোংয়াই মতুং পূং অমরোম তাবদা থোকখি। মফমদুদা রেদিকেল ইস্লামিষ্টশিংনা ইজিপসিয়ন ফোর্সশিংগী মায়োক্তা লাল হৌরিবনি।

মদু গজাদা লৈবা হামাসকী ফোর্সশিংদা টার্গেট তৌদুনা চথুবা অহানবা সুইসাইদ এটেকনি হায়না সিক্যুরিটি সোর্ছশিংনা ফোঙদোকখি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইজিপ্টকা তাইনবা খা থংবা বোর্দর তম্না লাকখিবা মীওই অনী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খামখি হায়না হামাসকী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

মখোয়গী মনুংদা অমদি মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিভশিং পোকখায়হনখি হায়না স্পোক্সমেন অদুনা মখা তাখি।

তুংদা, এটেক অদু সুইসাইদ এটেক অমনি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ইয়াদ অল-বোজুমনা ফোঙদোকখি।

এটেক অদুদা মশাগী চহী ২৮ শুরবা ফিল্ড কম্মান্দর নিদাল অল-জফারি শিখি হায়না হামাসকী মিলিটরি ৱিং হজিদিন অল-কসম বৃগেদসনা হায়খি।

কসমনা থাগৎলকখিবা ফোটো কয়াদা জফারিনা মিলিটরি ফিজোলদা তোঙান তোঙানবা খুৎলাই কয়া পুবগী শক্তমশিং উৎখি।

গ্রুপ অসিনা এটেক অদু ফন্দামেন্টা-লিষ্ট জিহাদিষ্টশিংগী খূৎনি হায়না মরাল শিখি। তৌইগুম্বসুং এটেকতুগী পান্দম করিনো হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি হায়না মখোয়না পনখি। নুপা অনীদু অপিকপা সিক্যুরিটি পোজিসন অমা তম্না লাকখি। গার্দ মঙানা মখোয়নিদু খান্নবা হোৎনরিঙৈদা অমনা অমদা মশাদা য়াওবা বোম পোকখায়হনখি হায়না গ্রুপ অসিনা মখা তাখি।

# সিএরা লিওনদা ঈচাও, মদস্লাইদতা শিখিবশিংগী মনুংদা অঙাং ১০০ হেন্না য়াওরম্লে, লৈবাক্লা অৱাবা ফোঙদোকপা হৌখ্রে



ফ্রীটাউন, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):
সিএরা লিওনগী খ্বাইদগী শাথীবা নেচরেল ডিজাষ্টরশিংগী মনুংদা অমা ওইনা নোং কন্না চুবদগী চীংদগী চেন্থরকপা লৈখোম-লৈনাং মপৈ অমসুং ঈচাওনা মরম ওইদুনা শিখিবা মীওই ৩০০ হেনবগী মনুংদা অঙাং ১০৫ য়াওরম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী চয়োল অমা চুপ্পা চথুগদবা অৱাবা ফোঙদোকপা হৌখ্রে।

খ্বাইদগী ফিভম থীনা মীশি-মীনা অমদি অমাঙ-অতা নংলিবা ফ্রীটাউনদা হৌজিকসু মীওই ৬০০ থীবা খঙদনা লৈরি। প্রসিদেন্ট আর্নেষ্ট বাই কোরোমানা মীশি-মীনা অমসুং মাঙ-তাকপগী ফিভম অদু লৈবাক অদুগী ফিভমগা য়েংনবদা য়াম্না কা-হেন্না চাউবা শিংনবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী লৈবাক্কী ফিরালশিং তঙ্খায় চিংথদুনা পাইহনগনি হায়খি অমসুং চীংথক্তা লৈবা কম্যুনিটি ওইরিবা মাঙ-তাক্লবা রিজেন্টতা চৎতুনা ফিভম য়েংশিল্লুরবা মতুংদা তেংবাং কয়া থুনা থারক্নুবা মালেমদা অপীল তৌখি।

চৈরকসিদা, নোংজুথাগী মতম লোইগদবা ৱাৎলি অমসুং মীওই মিলিয়ন অমরোম লৈবা ৱেষ্ট অফ্রিকাগী কোষ্টেল সিটি অদুদা মতম অমদা হেক্তা অহেনবা ঈচাও থোক্লকখিবা য়ারি হায়না এইদ ওর্গনাইজেসনশিংনা চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা ফ্রীটাউনগী সেন্ট্রেল মোর্গতা ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, ওফিসল ওইনা মীওই ৩০০ হেন্না শিরে হায়না লাউথোকখিবগী মনুংদা ১০৫ দি অঙাংশিংনি। মনীং তম্বা তৌইগুম্বসুং ওফিসলদি ওইদবা মোর্গকী এষ্টিমেটনা অশিবশিংগী মশিং ৪০০ নি হায়না পীখি।

মালেমগী খ্বাইদগী লাইরবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সিএরা লিওনগী গভর্নমেন্টনা ডিজাষ্টর অদুনা ময়ূম-মকৈ লৈহন্দ্রবশিংনি হায়না রেদ ক্রোসনা ফোঙদোকখিবা মীওই ৩০০০ হেনবগীদমক্তা তেংবাং পীগনি হায়না থাজবা পীখ্রবনি। লম্বীদা মথোং-মরম খঙদনা লৈরিবা মীওইশিং মশিং থীনবা রেজিষ্ট্রেসন সেন্টর-শিংগা লোয়ননা রিজেন্টতা ওথোরিটিশিংনা ইমরজেন্সি রেস্পোন্স সেন্টর অমা হাংখ্রে।

ৱার্ল্ড ফূদ প্রোগ্রাম (দব্লিয়ু এফ পি) না মীওই ৭,৫০০ দা চয়োল অনী চুপ্পা চেঙ, হৱাই, অচাথাউ য়েন্থোকপা য়াওনা ফ্রীটাউনদা য়ু এনগী এজেন্সীশিংগী থবকশিং কনখৎখ্রে। অহানবা ইজরেলি তেংবাংগী পেকেজশিং থুংখ্রে অমসুং ৱেষ্ট অফ্রিকাগী গভর্নমেন্টশিংনা শেল অমসুং চেঙ থারকখি।

কোন্নাউট হোস্পিটালগী মোর্গতা এ এফ পিদা ৱা ঙাংলদুনা টেক্নিসিয়ন মোহম্মদ সিন্নেহ কমারানা হায়খি, মহাক্কী টিমদা লেপ্পা লৈতনা পৈখৎলক্লিবা হকচাংশিং প্রোসেস তৌনবা অমসুং মশক খঙদোক্লবগী খুৎলাই ৱাৎলি। গ্লোভশিং, পি পি ঈ (পর্সনেল প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্ট) অমসুং রেন রুটশিং য়াওনা লোজিষ্টিক্সকী ওইবা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লুরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# আই সি বি এম শারে হায়না নোর্থ কোরিয়ানা ক্লেম তৌখ্রে হৌজিক ৬ শুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লাক্লে



সিওল/ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১৭:
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মফম অমদা হেক্তা টার্গেট তৌবা ঙম্বা ইন্টর-কন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইলশিং পুথোক্লে হায়না নোর্থ কোরিয়ানা ক্লেম তৌখ্রে।

হৌজিক কিম জোং উননা লাউথোকখিবা পান্দমগী খ্বাইদগী লুবা তাঙ্কক য়ৌরক্লে। মদুদি মিসাইলদা মদুগী রেঞ্জদা অকায়বা থোকহন্দনা হাপচিনবা য়াগদবা চাংদা পিকশিল্লবা অমসুং অয়াংবা ন্যুক্লিয়র ডিভাইস অমা মপূং ফানা ফিভম তাহনবনি। মখা তানা মিসাইল অদু ন্যুক্লিয়র ডিভাইসপু পুবদা আর্থকী এটমোসফ্যেরদা অকায়বা অমৎতা থোকহন্দনা অমুক হন্না চঙবা য়াগদবনি।

মদুগী ফিভমদু লাকহনবদা মালেমদগী তোঙান্না তারবা লৈবাক অদুনা য়ামদ্রবদা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অমা অমসুং অশানবা মিসাইলশিংগী অহেনবা চাংয়েং কয়া চঙখিগনি হায়না খুৎলাইগী এক্সপার্টশিংনা হায়খি। করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ানা মখা তাবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অমগসু পাঙথোকপা তারবদি মদু লৈবাক অসিগী তরুকশুবা চাংয়েং ওইরগনি। নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা থাদা চাংয়েং অনীরক পাঙথোকখিবা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল (আই সি বি এম) অদু হৌজিক লৈবাক অসিনা শাবা ঙম্লিবা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ অমা হেক্তদগী হেন্না য়াংবা পেলোদ অমা পুখি হায়না থাজনখি। খরা হেন্না ৱাংবা ৱারহেদ অমা পুথোক্লবগী পাম্বে অমদি থর্মোন্যুক্লিয়র ডিভাইস অমা নৎত্রগা হাইদ্রোজেন বোম পুথোক্লবা হোৎনবদা মীৎয়েং থম্বনি। মসিনা সাইজ অমসুং অরুম্বগা য়েংনবদা এক্সপ্লোসিভ য়িল্ড য়াম্না হেনগৎহনগনি।

পিয়োংয়াংনা হাইদ্রোজেন বোম শারে হায়না ক্লেম তৌবা লৈখ্রে, তৌইগুম্বসুং মসি প্রুভ তৌদ্রি হায়না ফেদরেসন ওফ অমেরিকান সাইন্টিষ্টতা ন্যুক্লিয়র ইনফোর্মেসন প্রোগ্রামগী ডিরেক্টর ওইরিবা হান্স ক্রিসটেন্সননা হায়খি।

অসুম্না তৌবদা অহেনবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং কয়া পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না হায়খি, থর্মোন্যুক্লিয়র ৱারহেদ অমগী থোইদোক হেন্দোকপা কান্নবদি ৱারহেদকী অরুম্বনা হন্থরগা অহেনবা পৱারশিং য়াওবসিনি। জপানগী রিটসুমৈকান য়ুনিভর্সিটিদা ইন্টর-নেস্নেল রিলেসন্সকী প্রোফেসর অমা ওইরিবা অমসুং হান্না সাউথ কোরিয়াগী ষ্টেটনা রন তৌবা কোরিয়া ইনষ্টিট্যুট ফোর নেস্নেল য়ুনিফি-কেসনগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা চোই জিন-ৱূকনা হায়খি। নিংথীনা মথৌ তৌগদবা ন্যুক্লিয়র ডিভাইস পুবা আই সি বি এম অমা পুথোকপদা তরুকশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অমা চঙখিগনি। ন্যুক্লিয়র খুৎলাই অমা ডিপ্লোই তৌবা য়ানবগীদমক মদু পিকহনবা অমসুং য়াংহনবা চঙই, তৌইগুম্বসুং নোর্থ কোরিয়াগী টেক্নো-লোজি অসি লৈরমগদবা মান্দে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা পিয়োংয়াংনা ইন্টরকন্টি-নেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল অমদা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ অমা হাপচিনবা তারবদি মদু পনখৈ অমা লাল্লবনি হায়না লৌগনি হায়খিবনি। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনসু করিগুম্বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কিহল্লক্লবদি মৈ অমসুং অশাওবা মায়োক্লগনি হায়না নোর্থ কোরিয়াদা ৱার্নিং তৌবা লৈখ্রে।

# জিম্বাবৱেগী লীদর মুগাবেগী লোয়নবী মীঙোন্দা খূৎ থাবগী মরাল শিখ্রে



জোহান্নসবর্গ, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):
জিম্বাবৱেগী ভেটরন লীদর রোবর্ট মুগাবে রিজনেল সম্মিট অমদা শরুক য়ানবগীদমক্তা সাউথ অফ্রিকাদা থুংলরে হায়না মীদিয়ানা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী লোয়নবীনা জোহান্নসবর্গকী হোটেল অমদা চহী ২০ গী মোদেল অমা ইলেক্ট্রিক কেবল অমা শীজিন্নদুনা ফুবগী পাউনা ভেটরন লীদর অদুগী খোঙচৎকী পান্দমদগী হেন্না মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিনখ্রে হায়রি।

গভর্নমেন্টকী মরুওইবা মাউথপিস অমা ওইরিবা জিম্বাবৱেগী হেরাল্ড পাউচেনা হায়খি মদুদি, মশাগী চহী ৯৩ শুরবা মুগাবে হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী অথেংবদা প্রিটোরিয়াগী মনাক্তা লৈবা মিলিটরি এয়র বেজ অমদা থুংখি। হেরাল্ডনা চহী ৫২ শুরবী মুগাবেগী লোয়নবী গ্রেসকা মরী লৈননা থোক্লিবা ৱাথোক্কী মরমদা করিগুম্বা অমৎতা পনখিদে। সাউথ অফ্রিকাগী পুলিসকী মতুংইন্না, মহাকপু মীঙোন্দা খূৎ থাবগী চার্জশিং তৌবা য়াবগী ফিভমদগী কন্নবা গ্রেসনা ডিপ্লোমেটিক ইম্যুনিটি পীবিনবা হায়জখ্রে।

ভিক্টিম নুপী গব্রিএলাগী মমা দেবি এঞ্জেলজনা রোইটর্জদা ফোঙদোকখি মদুদি, নোংমাইজিং নুমিৎতা থোকখিবা খূৎ থাবগী থৌদোক অদুদা মহাক্কী মচানুপীগী মকোক্তা ষ্টিটচ ১৪ ফোৎখি। মহাক্না মুগাবেবু অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবসু ডিমান্দ তৌখি।

এসোল্ট অদুগী মতুংদা গব্রিএলাগী মরাইবক অমসুং লুখমদা শাংনা শোকপগী মফমশিং উৎপা ফোটোশিং এঞ্জেলজনা রোইটর্জদা উৎখি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লৌখিবা অতোপ্পা পিকচর অমনসু গব্রিএলাগী মফৈগনদা ফুবদগী চাউনা খামদৎপগী শক্তম উৎখি।

'ঐহাক ইচানুপীগী অচুম্বা ৱায়েল পামই। মসি শেলগী ৱাফম নৎতে। মসি অচুম্বা ৱায়েলগী ৱাফমনি। মহাক্না (গ্রেসনা) ঐগী ইচাদা মরম লৈতনা এটেক তৌখি' হায়না দেবিনা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

# মালালা য়ৌসফজাই ৱার্ল্ড লীদর কয়াগী মতুং ইন্দুনা ওক্সফোর্দতা তম্লগনি

*বিরমিংহম, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):*
*টালিবাননা নোংমৈনা কাপখিবা মতুংদা শম্নাদা হিংহৌখিবী নোবেল প্রাইজ ফংলবী এক্টিভিষ্ট মালালা য়ৌসফজাই মঙজখিবা মঙ অমা হৌজিক্তি মঙফাওনবগী ফিভম লাক্লে হায়রি।*

*চহী অসিগী হৌখিবা মার্চতা মালালানা য়ু কেগী এসোসিয়েসন ওফ স্কুল এণ্ড কোলেজ লেকচরর্সকী চহীগী কনফরেন্সতা তিনখিবা ওজাশিংদা মহাক বৃটিশ য়ুনিভর্সিটি অমদা মহৈ তম্বা পামই হায়না ফোঙদোকখি।*

*মথংগী চহী অহুমদা পি পি ঈ তম্নবা মহাক্না কোলেজ কয়াদা এপ্লাইদ তৌখি। মহাক সবজেক্ট খূদিংমক্তা এ গ্রেদ ফংনবা হোৎনবদা মীৎয়েং থমখি। মহাক্না মঙজখিবা মঙ অদু তশেংনমক অচুম্বা ওইখি।*

*য়ৌসফজাইনা ঙসি অয়ুক ত্বিটরদা মহাক ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিদা মহৈ তম্বা চৎলগনি হায়না লাউথোকখি। ওক্সফোর্দতা চৎকদৌরিবসিদা মহাক অদুক্কী মতিক মথুম-মরাং হৌই হায়না মহাক্না ত্বিটরদা ইখি।*

*মহাক ওক্সফোর্দতা ফিলোসোফি, পোলিটিক্স অমসুং ইকনোমিক্স তমগনি।*

*য়ৌসফজাইগী রিজ্যুমদা মহাক নোবেল পিছ প্রাইজ ফংবা খ্বাইদগী নহা ওইরিবা মীশকনি হায়বসি য়াওরিবনি। তৌইগুম্বসুং মসিনা মহাকপু মিং চনবগী প্রোসেসকী মরমদা করিগুম্বা মওং অমৎতদা থৌশাহন্দবদি তৌদে। নোবেল পিছ প্রাইজ অমা ফংবা হায়বসি নহাক নহাক্কী ষ্টদিদা য়াম্না খঙলবা মীশক অমনি হায়বা নৎতে হায়বসি মীশিংনা কাওথোক্নে হায়না মহাক্না চহী অসিগী অঙনবদা রিফাইনরি ২৯ দা হায়খি।*

*হৌখিবা য়েনিংথাদা ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিনা মসিদা মহৈ তম্নবগী য়ৌসফজাইদা কন্দিস্নেল ওফর অমা পীখি। কন্দিসন অদুদি মহাক স্কুলগী চহী লোইবদা এ-লেভেল ইগজামশিং পাস তৌগদবনি। মদুনা ওফর অদু ওফিসল ওইহনগনি। ঙসি রিজল্টশিং লাউথোকখিবদা মহাক মায় পাক্লে হায়বা খঙখিবনি।*

# সিরিয়া শেমগৎ-শাগৎপদা দামাসকসনা ইন্দিয়া য়াওহন্নিংদ্রে





দামাসকস, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইজরেলদা খোঙচৎ অমা চৎখিবগা মরী লৈননা পেন্দবা লৈবনা মরম ওইদুনা লালনা মাঙহন-তাকহল্লবা সিরিয়াবু নৌনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক্তা ইন্দিয়াবুসু য়াওহনবগী ৱাফম দামাসকসকী রেজিমনা ইপাম-পামদবগী মওং লৈ হায়না প্রসিদেন্ট বাশর-অল অশাদকী মকোক থোংবা তেংবাংলোই অমনা হায়খ্রে।

প্রসিদেন্ট অশাদকা খ্বাইদগী নকশিন্নবা তেংবাংলোয়শিংগী মনুংদা অমা ওইরিবী বৌথাইনা সাবননা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম ইন্দিয়াগী পোলিসি মেকরশিংনদি লাল্লি হায়না লৌবসু য়াই, মরমদি হৌখিবা ২০১১ দগী সিরিয়াগী সিভিল ৱার হৌখিঙৈদগী লৈবাকসিগী রেজিমবু ন্যু দিল্লিনা শৌগৎখি।

দামাসকসকী গ্রীন জোনদা লৈবা হোটেল অমদা ৱা ঙাংবদা সাবননা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ইজরেলদা খোঙচৎ অমা চৎখিবদা সিরিয়নশিংদা নুংনাংবা পোকপগী ৱাফম পনখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী ইজরেল খোঙচৎ অদুনা সিরিয়াগী মীয়াম্বু নীংবা কায়হল্লে, মরমদি ইজরেল অসি মীগী লম নম্ফুদা পায়শিনবা অমসুং পালেষ্টিনিয়নশিংগী য়েলহৌঙৈগী হকশিং মৎপা কলোনিয়ল ফোর্স অমনি। অচুম্বগী ৱাখল চেনবা মোরেলগী অৱাংবা ফিদম লৈবনি হায়না ঐখোয়না খঞ্জরম্বা ইন্দিয়ানা ইজরেলদা চৎতুনা চাউনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা হায়বসি ঐখোয়গী থাজবগী ৱাংমদনি হায়না ইন্দিয়াদা তোইনা চৎখিবা সাবননা হিন্দুষ্টান টাইমসতা ফোঙদোকখি হায়রি।

সিরিয়াবু নৌনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক্তা অচৌবা থৌদাং লৌনবা ঐখোয়না চাইনাদা অমসুং রশিয়াদা হায় তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়াদদি অদুগুম্বা থৌদাং অমা লৌনবা হায়নিংবগী ৱাখল ঐখোয়দা চেন্দ্রে হায়না সাবননা মখা তাখি।

# পাকিষ্টানগী এপেক্স এন্টি-করপসন গ্রুপনা নৱাজ শরিফ, মচানুপাশিং কৌখৎখ্রে

লাহোর, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):
সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দরগী মতুং ইন্না ঙসি পাকিষ্টানগী টোপ এন্টি-করপসন ওর্গনাইজেসননা মফম তাখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফ অমসুং মহাক্কী মচানুপা অনীবু মপানদা শেলয়াম কয়া ট্রাঞ্জেক্সন তৌনবা হোৎনরম্বা অমসুং করপসনগী কেসশিংগী মতাংদা কৌখৎখ্রে।

নেস্নেল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরো (নাব) না নৱাজ শরিফ অমসুং মহাক্কী মচানুপা অনী - হুসাইন অমসুং হশনদা পানামা পেপর্স কেসনা ফোংলকখিবা মখোয়গী মপান্দা লৈবা প্রোপর্টিশিংগা মরী লৈননা ব্যুরোগী লাহোরদা লৈবা ওফিসতা ইন্টরোগেসন চথুনবগীদমক্তা সমনশিং ইসূ তৌখি।

হৌখিবা জুলাই ২৮ দা সুপ্রিম কোর্টকী মেম্বর মঙাগী বেঞ্চনা শরিফপু য়ু এ ঈদা লৈবা মহাক্কী মচানুপাগী ফার্মদা থবক শুবা য়াবগী পর্মিট অমা পায়রম্বগীদমক্তা ডিসক্বালিফাইদ তৌখি। এপেক্স কোর্টনা নাবতা জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিমগী রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইরগা শরিফ অমসুং মহাক্কী মচাশিং মমাকপুনা সফদর অমসুং মরী-মতা ফেদরেল ফাইনান্স মিনিষ্টর ইশক দারগী মায়োক্তা লোনা য়াদবা শেল ময়াম মপান্দা চৎহন্নবা হোৎনবা অমসুং অতৈ করপসনগী চার্জশিংগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসন চথুনবসু খঙহনখিবনি।

শরিফ অমসুং মহাক্কী মচানুপাশিং ওগষ্ট ১৮ দা নাবকী লাহোরদা লৈবা ওফিসতা লাক্নবা খঙহনখ্রে হায়বা ৱাফম নাবনা কনফার্ম তৌখি। নাবনা হায়খি মদদি, ব্যুরো অসিনা ওগষ্ট ২৩ দা ইশক দারগী মায়োক্তা রিফরেন্স লৌখৎকনি অমসুং হীরম অসিগা মরী লৈননা মঙোন্দা সমনশিং ইসূ তৌখ্রে। অদুম ওইনমক শরিফকী ওইনদি নাবকী ওফিসতা চৎনবগী ৱারেপ লৌদ্রি।

নৱাজ শরিফনা নাবকী প্রোসিদিংস বোইকোট তৌনবা খন্নরি মরমদি মহাক্না পানামা পেপর্সকী কেসকুম্না মহাক কেস অসিদসু অচুম্বা ৱায়েল ফংদবা য়াই হায়না চিংনরি হায়না পি এম এল - এনগী সিনিয়র লীদর অমনা পি টি আইদা ফোঙদোকখি। নাবনা মহাক্কী মায়োক্তা চথুবা ইনভেষ্টিগেসন য়েংশিনগদৌরিবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ অমগী মতাংদা শরিফনা হান্নরা নুংনাংবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে হায়না পি এম এল - এনগী লীদর অদুনা হায়খি।

HelpingHand Health Care
Keisampat Konjeng Hajari Leikai, Near: Oil Pump, Tiddim Road, Imphal West.
Phone: 7085500324 / 0385-2051738
Acupressure and Massage Treatment
FREE O.P.D.
for 5 days from Date16-20 August 2017
Time from 6 a.m. - 10 a.m.
* খ্বাঙ নাবা, * লু-তাং চিকপা, * কলাপ মরী শোনবা,
* পেরালাইসিস, * কোক চিকপা, * খোঙ-খূৎ চিকপা- নাবা ..etc
- FIRST COME FIRST SERVE - " COME AND BE HEALED "

HL-B/4076/15 to 30

HELPINGHAND GROUP
Rs.4,00,000/- (4 Lakh)
Lottery cum Tender - STOP PAYMENT SAVING SCHEME -
Half Monthly (2wise Draw in a month)
1. Per Draw Amnt. Rs.1000/- @ Lottery WINNER Rs. 4 Lakh.
2. Per Draw Amnt. Rs. 500/- @ Lottery WINNER Rs. 2 Lakh.
Few Shares are remaining - Join till 20th August 2017
অপীকপা শেন্দোইদা GROUP শোনসু পীজরি, শৌবীয়ু
HelpingHand Finance Service ( Office hrs. 10 pm - 5pm ) Please Visit Office.
( Govt. Registered) Head office: Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal, Phone. 0385-2051738/ 8974877505

HL-B/4076/13 to 22